# Fete de la Musique ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে

## Free Music for every one 21st June, 2017




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**ৱাহৈনা** ফোঙমদ্রবা শুক্মৎপগী মচাক্না থন্না য়াওরবা ফজবা কয়া ম্যুজিক্না ফোঙদোক্লি। ৱাহৈশিংসু অমত্তা ওইনা চেন্থমিন্নরি ম্যুজিক্তা পুল্লরবদা। Victor Huge মালেমদা লৈতে ঈশৈগুম্না নুংশিবা খোঞ্জেল। ঙাইহাক্তা ওইরবসু পোত্থাহল্লি অৱা অনা কয়াদগী মালেমগী পুং, ঈশৈগী নুমিৎনা পীবিরি পূম্নমক্তা তপথবা। মালেমগী পুং, ঈশৈ নুমিৎকী পুৱারী- পুং, ঈশৈ হায়বসি শেন্বীবা মপূনা খোঞ্জেল নৎত্রগা মখোল হায়বা নাকোংনা তারগা খঙবা পোৎশক মখল মখলগী খোঞ্জেল কয়া মহৌশা লাইরেম্বীনা শেন্বীরিবা অচৎ-চৎত্তা কয়াগী মতৌ তমদুনা ম্যুজিক্কী কম্পোজিসন কয়া লেপ্পা লৈতনা শেন্লক্লি।

হায়নবা লৈ কোকিলনা পনচম শুরদা খোংই। অমুকসু অঙাংশিংগী লাইরিক্তা য়াওরি। শামুনা ত্রম্পেটকী খোঞ্জেলদা খোংই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা কলচরশিংগী মান্নদবা পুং, ঈশৈগী মশক লৈজরি। হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মশকশিংসিগী ওইবা ম্যুজিকেল ফোর্মশিংনা মখোয় মখোয়গী আইদেন্টিটিশিং মালেমদা শক তাক্লি। ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কেলশিংনা হায়বদি ক্রোমেটিক স্কেলগুম্বা ১২ নোটস শীজিন্নবা।

ইন্দিয়ান ম্যুজিক্তদি অমুক রাগ (মেলোদি) দা যূম্ফম ওইবা ম্যুজিকনা শক তাক্লি। মীতৈশিংগী ওইনদি পেনানা শক তাক্লি। পেনাগী ম্যুজিক্তা য়াওবা অদুগা মালেমগী অতৈ ম্যুজিক ফোর্মশিংদা য়াওদবা মগুণ অমনা মেলোদি য়াওজৈ। লোয়না লোয়ননা রিদমসু য়াওজবা অসিনি। অসিগুম্বা মালেমগী ওইবা ম্যুজিকেল ফোর্ম ময়াম অমসু খঙমিন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবা ওইনা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী পুৱারী অসি শেন্মী। কুমজা ১৯৮১ গী ওক্টোবর থাদা ফ্রান্সকী কলচর মিনিষ্টর জেক লাঙনা Maurice Fleuret পু ম্যুজিক অমসুং দান্সকী দিরেক্টর ওইনা খল্লমই। লোয়না লোয়ননা কুমজা ১৯৮২ গী জুন ২১ গী solstice in northern hemisphere গী য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা ফ্রান্সনা শিন লাংদুনা Fete de la Musique World Music Day অসি লৈবাক ১২০ অমদি সিটি ৭০০ রোম্না সেলেব্রেট তৌখি।

অমেরিকাগী আর্টিষ্ট Joel Cohen না ম্যুজিক দে অসি Summer Solstice দা পাঙথোক্লবগী ৱাখল্লোন অসি কুমজা ১৯৭৬ তা ফোঙদোকখি। ফেষ্টিবেল অসি ফ্রান্স খক্তদা মশীং য়াম্না পাঙথোকই অমদি অহিং অথেংবা ফাওবা পাঙথোক্লি। লোয়না লোয়ননা নেসনল হোলিদে ওইনসু লাউথোক্লি। হন্দক চহীগী ওইনা ৩৫ রকশুবা ইন্টরনেসনল ম্যুজিক দে হান্না ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে হায়না ওবজার্ভ তৌরম্বা ফেষ্টিবেল অসি কুমজা ২০১৭ কী জুন ২১, যূমশকৈশা য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা মহৌশাগুম মালেমগী লৈবাক ১২০ গী সিটি ৭০০ রোমদা পাঙথোকখ্রে।

মসিদা ফ্রান্স লৈবাক্কী সিটিশিংদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলশিং মশীং থিবদা হাপচিন্দ্রি। মরমদি য়ামনখিবনা মশীং থিফম খঙদবননি। ফেষ্টিবেল অসিগী স্লোগান অসি ফ্রী ম্যুজিক ফোর ইভ্রি ৱান হায়বসিনা ওইরি। নুমিৎ অসিদদি তাঙল-তাঙলবা ম্যুজিক্কী মখল কয়া অমা পৈশা অমত্তা তিংদনা লম্বী মপান্দা, গার্দেনশিংদা, পার্কশিংদা, ষ্টেদিয়মশিংদা, ষ্টৈসনশিংদা, হোলশিংদা আর্টিষ্টশিংনা মশা মশানা থোকচরক্তুনা পৈশা অমত্তা লৌদনা ফেষ্টিবেল অসিবু ওবজার্ভ তৌই।

ফেষ্টিবেল অসিবু অমুকসু য়ুনিভর্সেল লেঙ্গৌইজ ওফ ম্যুজিক হায়না য়াম্না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলি। ম্যুজিক্কী লোন্না পাউ ফাওনদবা অমুকসু লৈত্রি। ময়েক য়াওরবা ঈশৈশিংগীদি তোঙান তোঙানবা লোনশিংনা শক্লবসু ৱাহন্থোক লৈবনা মরম ওইরদুনা করি হায়রিবনো হায়বদু খঙবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক মালেমদা লৈরিবা ম্যুজিকেল ইনষ্ট্রুমেন্টশিং অসিনা খোঙলকপা, য়ৈরকপশিংদি মীওইবনা ঙাঙনরিবা লোনশিং য়াওদবনা মরম ওইরদুনা অতাবশিংনা মাগী মাগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা অৱা নুংঙাই ফাওহল্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা ফেষ্টিবেল অসিবু ওবজার্ভ তৌরিবসি ফ্রেঞ্চপু তম্নবগী য়াম্না চাউনা থৌদাং লৌরিবা Alliance Francaise নি। হন্দক চহীগী ওইনা Alliance Francaise Bangalore দা ফেষ্টিবেল অসি জুন ১৭ অমদি ১৮ দা ওবজার্ভ তৌখি। লোয়না লোয়ননা ফজ ফজরবা মখল মথেলগী রোক ম্যুজিক, জাজ ম্যুজিক, ক্লাসিকেল ফ্যুজনএক্টনচিংবা ম্যুজিক ফোর্মশিং মীয়ামদা উৎপীখিবা অসিনা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমা Fete de la Musique না পুরকখি।

ক্লাসিকেল ফ্যুজনএক্টস হায়রিবা ম্যুজিক ফোর্ম অসি আর্টিষ্টশিংদসু অমদি অতাবা মীয়ামদসু য়াম্না নুংঙাইবা তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীবা ম্যুজিক্কী ফোর্ম অমখকনি। হায়রিবা ম্যুজিক্কী ফোর্ম অসিগী এক্সপরিএন্স অসি কয়ামুক নুঙাইবগে হায়ববু হান্না অমুক্তা উনদ্রিবা আর্টিষ্টশিং ষ্টেজদা ম্যুজিক্কী লোন্দা ৱারী শান্নবনি। মসিদা আর্টিষ্টশিং অদু মপূং ফারবা ম্যুজিক্কী নোলেজ অমদি লৈতবা য়াদে।

মসিদা মরুওইনা চঙলিবসি মখল মখা য়াল্লবা টেম্পোশিং মখল মথেলগী রিদম পেটর্নশিং কম্বাইনেসন ওফ ম্যুজিকেল নোটস, improvisations মসিনসু লোইবা নৎত্রি, বেসিক খরদং থমজবনি। হায়রিবা ক্লাসিকেল ফ্যুজনএক্টস অসিদা তারিবা মীয়াম্না আর্টিষ্টশিংনা ম্যুজিক্কী লোন্না শান্নরিবশিং অদু মহাক মহাক্কী ওইবা ৱাহন্থোক্লো নুংঙাইহল্লি। মণিপুরদসু ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে অসি হন্দক্কী জুন ২১ দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন অমদি শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখি।

সেলেব্রেসন অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর শ্রী এল জয়েন্তকুমার সিংহনা চীফ গেষ্ট, ডা. যোধচন্দ্র সনসমনা প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন্না থৌরম মপূ, ডা. কে সুশিলা, দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইবিখি। ওনরেবল মিনিষ্টরগী ৱারোলবু মেদিয়াশিংনা কাচিন কোয়া য়ৌবা শন্দোকখি।



ষ্টেট অসিগী ওইবা ৱাহৈশিং অদুনি মণিপুরবু মালেমদা আর্ট এন্দ কলচরগা স্পোর্টসকনা শক তাক্লি। স্পোর্টসপার্সনশিংগীদি খরা ফখ্রে। আর্ট এন্দ কলচরবু থৱায় ৱানা হোৎনজরিবা আর্টিষ্টশিংগী ওইনদি ওনরেবল মিনিষ্টরনা মিৎয়েং খরদং চঙবিরক্লবদি হায়দুনা মতম কুইনদগী ঙাইরক্লবশিং অদু Fete de la Musique না অমুক অনৌবা শক্লোন অমগা লোয়ননা অনৌবা মপাউ অমা পুরকপগুম তৌরি। খঙদে মতম কৌবী লাইরেম্বীনা পুরকপা খুদিং ঙসিসু কনানা থিংবা ঙমদ্রি। লোয়না লোয়ননা মখল মথেলগী ওইবা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ওইবা নাৎকী ঈশৈশিং, Hindustani Classical Vocal and Table Solorecital, Western Music (Vocal) অমদি অরোইবদা মণিপুরী মতম ঈশৈনা ফেষ্টিবেল অদু লোইশিনখি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী জে এন দান্স একাদেমি অমদি গিতাঞ্জলি পার্ফোমিং গ্রুপ ওফ আর্ট এন্দ ম্যুজিক অনীনা খূৎশম্নদুনা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে সেলেব্রেসন জুন ২১, ২০১৭, প্রিয়োগোপালস্না ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট কে রাধাকুমার কমিস্নার (আই পি আর) অমদি প্রসিদেন্টনা ভাইস চ্যেরমেন জে এন দান্স একাদেমি, ইম্ফাল প্রোফেসর এন তোম্বী সিংহনা ওইখি। জে এন দান্স একাদেমিগী মহৈরোয়শিংগী কোর্টাল চোলোম, টি ঐচ লানস্নাগী মীতৈ ঈশৈ, এ প্রিয়াগী খুন্নুং ঈশৈ অমদি গিতাঞ্জলি গ্রুপ ওফ আর্ট এন্দ ম্যুজিক ইম্ফালগী লাইশোন ঈশৈশিং লাম্থোকপনা থৌরমগী অরোইবা ওইখি। লোয়না লোয়ননা মথংগী কুমজা ২০১৮ গী জুন ২১ দা পাঙথোক্কদবা লাকপা অমুক ঙাইমিন্নসি।

মতেং লৌজখিবশিং ঃ

১) About Music Day U.K.
২) La Fete de la Musique
৩) Presentation de la Fete
৪) অইবনা থিজিনজরকখিবশিং।

# মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা মচাইবুংঙো গরিবনিৱাজ

## (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) দা শিন্নরম্বা থৌদাংশিং

খুন্দোংবম কুমার সিংহ

**মৈদিংঙু পাইখোম্বনা** কুমজা ১৬৯৭ ৱাকচিংগী ২৮ নি পানবা নুমিৎতা নোঙ্গাখিবগা থা অনীগী মতুং মৈদিংঙু চরাইরোংবনা কুমজা ১৬৯৭ লমতাগী ১০ নি পানবা নুমিত্তা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। মোংথিল চাইবীদি কুমজা ১৬৯৬ তা হান্ননা লৈখিদবনা হিজম চনু শেঙ্গৌইলেম্বী অমসুং থাংজম চনু থম্বালঙাংবীনা লৈমা ফমথোল ওইদুনা নিংথেম ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ/পামহৈবা অমসুং চকপা মখাউ ঙম্বী অনীবু নাউয়োক নাউকোল্লম্মী। চরাইরোংবনা তেল্লবা চহী ১২ সিদা (কুমজা ১৬৯৭-১৭০৯) অৱাগী পোলিটিক্সকী শরৌ লাংদা মৈদিংঙুসিগী মমোম চকপা মখাউ ঙম্বী থুখিরম্মী। মতমদুদা অৱা লৈবাক্তা টৌংগু শাগৈনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা চহীসিদা মখোয়গী অকোয়বদা থংননা লৈবা লৈবাকশিংনা য়েক্লবা ওইখিদুনা অৱাশিংগী লৈবাক লৈখা তাবা হৌরকখি। মতাং অসিদা টৌংগু শাগৈগী অহুমশুবা নিংথৌ টানিন-গান-উই (শেৎ-ফুৎ-শেঙ) না মীতৈ নিংথৌ চরাইরোংবগী মচাইবেম্মা শক-চু চংখোল্লবী চকপা মখাউ ঙম্বীবু অৱাগী লৈমা ওইবীনবা হায়দুনা চারৌ মৌরৌনবগী মরী শাগৎনবা ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা মীতৈগী মাঙখ্রবা চকপশিংনা লোই চল্লম্বা খুঙ্গং ৮ মমিংনা - পুঙপুন; কামু; চিরাং; খরোইতীঙ ঈৎসা খুনথক-খুনখা; মরু কোনে দাং অমসুং লোইবী তরাউনচিংবা মীতৈ লৈবাক্তা খুদোল ওইনা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী ৱারোলগা লোয়ননা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবদা 'মৌ' হায়বা থারম্মী। মৈদিংঙুসু অৱাগী ৱারোলগী ঈঙ্গিৎতুদা মমোম তম্ফা চকপা মখাউ ঙম্বীগী মপূক্লিংগী ৱাবু খঙদনা য়াথোকখিরম্মী। মতম অসিদা চকপা মখাউ ঙম্বী ইবেম্মদি নুংশি মশক খঙদুনা 'পোল্লিবা লমথোক' কৌবা পোলোম শাগৈদা পোকপা মতিক মথৌনা লৈবা লান্মী পাখং অমগা হান্ননা থম্মোয় থম্মোয় শিন্নদুনা নুংশি মরু হুনখিবা থাবুম খরা চঙশিনখ্রবনি। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মমোমগী পূক্লিংগী ৱাফম খঙলক্লবা ফাওবদা 'পোল্লিবা লমথোক' পু কৈশুমশংদা থমজিন্দুনা মমোবু অৱা নিংথৌগী কোনুংদা থিলহনখি। চহী খরগী মতুংদদি অৱা নিংথৌগা মীতৈ নিংথৌগা হায়নখিবা ৱাফমশিংদু ঙাল্লকখিদে হায়বদি খুঙ্গং ৮ সু হঞ্জিল্লকখিদ্রে। লোয়ননা মমোম তম্ফা চকপা মখাউ ঙম্বীসু লৈমা ফমথোন্দগী থৈথখ্রে (লৌথোকখ্রে)। ঈ-পাউশিং অসি ফংবদগী মৈদিংঙু চরাইরোংবা ঙমখৈ লৈতনা শাওখিবদগী অৱাগী মথক্তা লমন খুম্নবা অঙম অথৌশিংগা তান্নরগা ৱারেপ লৌখিরম্মী। লাইবক থীবদি মৈদিংঙু চরাইরোংবা মনুং মতম চাদনা মশাগী চহী ৩৭ শুরকপদা কুমজা ১৭০৯ ইঙেন থাদা নোঙ্গাখি।

মতাং অসিদা অইবা ঐহাক্না থেংনজবা ৱাফম অনী থমজগে। (১) ঐহাক্না থেংজখিবা লাইরিক অমদগী অমসুং খোংজোম পর্ব্বদগী লৌখৎচবনি। খূৎশেমনি হায়গদ্রা মতম অমগী মাইচৌ পণ্ডিট অমনা ইরমগদবা মাল্লি - মৈদিংঙু চরাইরোংবনা তুশুক লাল চৎলুরগা হল্লকপদা শগোলবন্দগী খোংনাংখোঙ অমদা পোত্থারিঙৈদা খঙহৌদনা অখাক-অরাওগা লোয়ননা তারকখিবা সোরারেনগী নোংমৈ শীঙজংনা খোংনাঙদু তংখাই তানা শেগাইখিবদগী চরাইরোংবসু নোংমৈ শীঙজং তারকপগী মৈশানা য়ৈবদগী ৱাস্থখি হায়। অদুদগী পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) না মপাবুংবু কোনখৎপা শারগা তানা থিল্লি অদুগা হাওবম শেলুংবনা তা পাংশিল্লি অসিনি। থৌদোক অসিদা 'নোংথিল চাইবী' য়াওখি অসিনি। মরমদি পামহৈবা/গরিবনিৱাজদি ঈ-শেংদবনিনা নিংথৌ ওইবা য়ারোই খনবদগী মীকোক অহুমসি তান্নরগা তৌখিবনি অসিনি। মতাং অসিদা কুমজা ১৬৯৬ তা লৈখিদ্রবা নোংথিল চাইবীসু মপুরোইবা হাৎপগী শরৌদা চেন্নহল্লি। অসিগুম্বা খূৎহৈবগী চয়েৎনবা ৱারী কয়াসিনা গরিবনিৱাজনা হিন্দু লাইনীং লৌখি হায়দুনা মহাকপু অমসুং হিন্দু লাইনীংবু পামদবা মীওই খরনা (মাইচৌ ওইরম্বসু য়াই) শেমজিন শাজিন্দুনা ইশিল্লগা থল্লম্বসু য়াই খল্লি। অসিগুম্বা চয়েৎনবা ৱারী কয়াসিনা তুংগী মীরোলশিংদা মরুওইনা হৌজিক্কী নহারোলশিংগী কোক্তা চঙহল্লগা লাইনীং লাইশোললোমদা পুশিল্লক্তুনা চুমই নৎত্রগা লাল্লি হায়দুনা য়েৎনদুনতা লৈহনবগী মচাক ওইহল্লি/ঐহাক্কী মতনি। (২) অনীশুবা ৱাফমনা, হায়রিবা নোংমৈ শীংজঙদুগী মৈশাদুনা য়ৈবদা ৱাস্থরুরবা মৈদিংঙু চরাইরোংববু অঙম-অথৌশিংনা লায়কন্নদুনা কোনুংদা পুথখি অদুদগী খোঙহাম্বা লাইচৎ য়ৌশিল্লক্তুনা মৈদিংঙুসি পুন্সি পীখম্নখি' হায়রিবসিনা অচুম্বা পুৱারী ওইগনি খল্লি। অসুম্না মৈদিংঙু চরাইরোংবসি ফমশেন্নদুনা লৈরিঙৈগী পুংজাদুদা মহাক্না মচাইবুংঙো ৱাঙ্গোল নিংথৌ নিংথেম ময়াম্বা (পামহৈবা গরিবনিৱাজ) বু কৌশিল্লগা শিন্নরম্বা ৱাফমশিংদি ঃ- মচন নুপী চকপা মখাউ ঙম্বীবু অৱাগী লৈমা ফমথোন্দগী থৈথরকপগী লমন অমসুং খুঙ্গং ৮ হঞ্জিল্লক্তবগী ৱাফমনচিংবা অসিনি। মতমদুদা অৱাশিংগী লৌনম লাংথাক্তি মখোয়গী য়েক্লবা ওইরিবা শ্যামীজ (থাইলেন্দগী কাঙলুপ অমা) অমসুং অৱা লৈবাক মনুংগী মোন/টৈলাইং হায়বা কাঙলুপ্নচিংবা অসি মখোয়গী (অৱা) য়েক্লবা ওইরিবা মীতৈশিংবু থেংনহল্লগা অৱা মখোয়না মতাইদা লেপ্তুনা খুদোংচাবা য়েংলগা মীতৈশিংবু নমথবা অসিনি। অদুবু মৈদিংঙু চরাইরোংবগী পুন্সি তেনখিবনা অৱাগী শরৌ লাংথক্তুদি নংখিদ্রে অদুদগী মখোয়গী য়েক্লবশিংসু হেনগৎলকখি। কুমজা ১৭১৪ দা অৱাগী নিংথৌ মার আউঙ রত্নদরসু নোঙ্গাখিবগা মচানুপা শেঙ-ফুৎ-শেঙনা অৱাগী নিংথৌ ওইরম্মী। কুমজা ১৭০৯ দা ফম্বাল কাখিবা মীতৈ নিংথৌ নিংথম ময়াম্বা (গরিবনিৱাজ) গী হাক্তক্তসু অমুক অৱাশিংনা চারৌ মৌরৌনবগী অনৌবা মরী থমদুনা অনৌবা লাংথাকপা হৌখিরম্মী। কুমজা ১৭১৭ কী ৱাকচিংগী থাদা মীতৈগী কোনুংদা অৱা নিংথৌনা গরিবনিৱাজগী মচাইবেম্মা অমা পীবিনবা মৌ হায়বা থারক্লম্মী।

মতাং অসিদা গরিবনিৱাজনা মপাইবুংঙোনা শিন্নরম্বা থৌদাংশিংদু মতাং মতম চারে খল্লদুনা অৱাগী মথক্তা মচননুপী (চকপা মখাউ ঙম্বী) গী লমন শিংনবা লাল্লোং শিন্নদুনা থমখি। কুমজা ১৭১৮ হৌগৎলকপদা গরিবনিৱাজনা নুপা লান্মীশিংবু নুপীগী ফিজোল শেৎহন্দুনা মৌ থিনবা শাদুনা নিংথি তুরেলগী হীথাংফমদা মৌ ওক্লবা ঙাইরল্লিবা অৱাশিংগী মথক্তা লান্দাশিন্দুনা চাইখাইরম্মী। চহী খরগী মতুং কুমজা ১৭২৪ দা অৱাশিংনা অমুক তখেলশিংগা লৌতুনদুনা 'মংদ্র কেতু ঙম্বা' কৌবা (চকপা মখাউ ঙম্বীগী মচানুপা) মতিক মথৌনা লৈবা চহী ২০ খক্তং ঙাইরিবা পাখং অমনা লাঞ্জিং পুরেল ওইদুনা মীতৈশিংগা অকনবা লান ৱাংজিংদা থেংনখি। অৱাশিং মীতৈগী খূৎতা মায়থীখিবদগী চহী খরদি মীতৈ লৈবাকলোমদা ওনশিল্লকখিদ্রে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) না শাক্ত লাইনীং/নিমান্দি লাইনীং মথং মথং লৌরক্তুনা অরোইবদা কুমজা ১৭৩০ দা গুরু শান্তিদাস গোষাই (মহন্ত) দগী রামান্দি লাইনীং লৌখিবগী মতাংদি থমজদ্রে। কুমজা ১৭৩৫ দগী কুমজা ১৭৪০ ফাওবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মপাইবুংঙো চরাইরোংবনা শিন্নরম্বা ময়াথংবু নীংশিংদুনা অৱা লৈবাক্তা কুম কাংদনা লান্দাশিন্দুনা নৈখায়রম্মী। চহীদুদনি (কুমজা ১৭৪০) অৱাগী কোনুং ক্যাউমোডু পেগোডাগী থোঙবাদা মৈদিংঙু মশামক্কী সনা খূৎশুনা থাঙফম হক্লম্মী হায়রিবসি। মতমদুদা চকপা মখাউ ঙম্বীগী মচানুপা মথক্তসু পঞ্জখিবা 'মংদ্রা কেতুঙম্বা' অমসুং মহাক্কী মমা ইবেমগী মথৱায়গী 'পোল্লিবা লমথোক' মপা মচা শক খঙনদনা থেংনখিবা লানফমদুদগী মীতৈ লৈবাক অমসুং অৱা লৈবাক অনীগী পুৱারীদা হক্তুনা লৈহৌরবা কাউবা ঙমলরোইদবা অমসুং খল্লু-খল্লুরগা পিরাংতনা থুম্নৎলগদবা থৌদোকশিংদুগী ৱারীদি (পুৱারী) মতাং অসিদা থমজদ্রে। অসুম্না মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতমদগী থাকখিবা শরৌ লাংথাক্তুনা গরিবনিৱাজগী হাক্তক্তসু চত্থরক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা 'মংদ্র কেতু ঙম্বা' অমসুং 'পোল্লিবা লমথোক' অমদি ৱাংঙম তম্ফা চকপা মখাউ ঙম্বী (মপা/মচা/মমা) অহুমক্কী পুন্সি লানফমদুদা পীখম্নখি (কুমজা ১৭৪০ দনি)। অসিগুম্বা মতমদুগী মুৎনাইদ্রবা থৌদোকশিং অদুগী মহয়না মৈত্রবাক্তা খুন্তাক লানশি নংখিবা অমসুং মীচম কয়াগী পুন্সি কয়া পিখম্নখিবা অসি 'তম্ফা চকপা মখাউ ঙম্বী' দা লংজখিবা পাপকী মহয়ননি হায়না কনাগুম্বা অইবা খরগী মত থেংনৈ। মতমদুদা নুংঙাইতবা লানফম কয়াগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মপাইবুংঙো মৈ: তুবী চরাইরোংবনা শিন্নরম্বা ময়াথং অমসুং ৱাশকশিং চপ চানা ঙাক্তুনা মচননুপী (চকপা মখাউ ঙম্বী) গী লমন শিংখি অমসুং মহাকপু অৱাগী অকিবী নিংথৌনি মী নত্তে লাইনি হায়না অৱা লৈবাকনা শিংথানখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ/পামহৈবা মতিক মঙাল লৈনা পানবতা নত্তনা মণিপুরগী ঙমখৈসু পাকথোক চাওথোকপগী ঈ-পাউসু লৈখি।

মৈদিংঙুসি শা-লান্দা শিনফম ওইবতা নত্তনা লাইনীং লম্বীরোমদসু মায় ওনশিন্দুনা লৈবাক ঙাল্লকপা মতমদুদা মচা মমোমশিং কয়াসু মতিক মথৌনা লৈবা মীওইশিংদা থাজ য়োঞ্জবগী মচৎ উবা ফংই। কুমজা ১৭৪৪ গী জান্যুৱারীগী ময়ায়দা মৈদিংঙুগী মমাক গুরু শান্তিদাস মহন্তসি অৱাগী সগাইং সহরদা লান্দাবা য়াওখি। মফম অদুদা মীতৈশিংগী ওইবা লাল্লুম লানশং অমগী মনুংদা গুরু শান্তিদাস থা ১১ চুপ্না লৈশিল্লকপদগী নাশিল্লক্তুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। মৈদিংঙুচা শ্যামজাই খুরাইলাকপনা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মতুংদা গুরুগী 'লু' পুদুনা মৈত্রবাক্তা লাকখি (চৈথারোল কুম্বাবা)। ইবেম্মা 'শিজ চম্পকলাতা' মশাগী চহী ১৯ খক্তদা লুখ্রাবী ওইদুনা মরাইবক থীরবী নিংথৌমচানুপী হায়বদো ওইখি। কুমজা ১৭৪৪ গী দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা শীজ ইবেম্মা 'চম্পকলাতা' মপুরোইবগী 'লু' পুদুনা 'কৃপা রাম' কৌবা ব্রাহ্মন নহা অমনা গতি (উপাই) তৌদুনা গৌরদেশতা গঙ্গা ঈরুপ্পা চৎখি। ইবেম্মসিবু গতি তৌবিখিবা ব্রাহ্মন্দুগী শাগৈদুবু 'গোতিময়ূম' হায়না মৈদিংঙুনা থোনবীখি। হৌজিক ফাওবা শাগৈসি লৈরি। শিজ 'চম্পকলাতা' মৈত্রবাক্কী ইহান হানবা গঙ্গা ঈরুপখিবা মীতৈ চনুনি। হায়রিবা মতমদু ঙৌব্রামশাইগী মচন হরি প্রীয়াসু কছাড়গী নিংথৌমচা হরিচন্দ্র নারায়ন্দা থাজ-য়োঞ্জবগী ইৱাং লাংনবা মতমসুনি। কুমজা ১৭৪৪ গী অরোইবা চহী চাসিদা শান্তিদাস গোসাইগী লিলা (মতম) লোইখ্রে। মতাং অসিদা গুরু শান্তিদাস গোসাইসি খুজাইনা থারগা হাৎখি হায়না পাউথোকপীখি। খুজাইনা থারগা হাৎখি হায়বগী শাক্ষি (খুদম চাংদম) ওইবা ঈ-পাউ চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা পুৱারীদা থেংনদে। মতম খরা লৈরবা মতুংদদি মীতৈ অমসুং অৱা য়েংথিনবগী ফীভমসু নেমখিবা মতাং কুমজা ১৭৪৫ গী চহীদুদা অৱা নিংথৌনা গরিবনিৱাজগী মমোম অমা পীবিয়ু লৈমা ওইহনজগে হায়দুনা চারৌ মৌরৌনবগী লাইবার লাকপা হৌরকখি।

অমরোমদা, লৈমা থম্বাল মহাক্কী অহানবা মপুরোইবা 'ইরোম চাউবা' গী লমন শিংনবা মৈদিংঙুগী মথক্তা তুমিন তুমিন্না শরৌ শিন্নবা হৌরকপা মতমনি। মহৌশাগী মতমদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ লৈমা থম্বালগী মফমদা শকখিবা ৱাশক্তুগী মতুং ইন্না কুমজা ১৭৪৮ গী মে: ১৫ নি পানবা যূমশকৈশা নুমিৎতা ইরোমগী ঈ-ওইবা চিৎসাইদা নিংথৌ ফম্বাল শিন্নরল্লগা অপোং ইংখোল (হৌজিক্কী রাজা দুম্বা স্কুলগী অকোয়বগী লম খরা) দা রাম শালাদা লৈখিবা অসিনা লৈমা থম্বালগী অহানবা শরৌ লাংনি। মতমদুদা লৈমা থম্বালদি (গোমতি মহারানী) মহাক্কী অপোকপা মচাশিং অমদি মাগা মত তিন্নবা লৈমশিংগা লোয়ননা অরোনবা ৱা তান্নদুনা লৈখি। মৈদিংঙু নিংথেম ময়াম্বা গরিবনিৱাজগী থৌগন্দা থৱায় হকচাং কৎথোক্লবা; লৈঙাকলোনগী থৌগাই কয়াদসু মায়রোং য়াদুনা লাক্লবা ঙাইশেনসু ওইরবা 'মোইরাং লানহাম্বা' গী মতেংনা অপোৎ ইংখোলদগী অমুক হৈঙাং কোম্থাদা রামনগর কোনুং শেমদুনা শ্যামসাই খুরাইলাকপগা লোয়ননা কুমজা ১৭৪৯ গী শজিবুগী ১৩ নি পানবা নুমিত্তা হোংজিন্দুনা লৈখিরম্মী। চহীদুগী নবেম্বর থাদা গরিবনিৱাজনা মনাও ইবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (খমলাং পনশাবা) না পোকপা সত্যমালাবু মমোম শক্ল অৱা নিংথৌ দিপাতীদা থাজদুনা অৱাগী কোনুংদা থিল্লম্মী। মচাইবুংঙো শ্যামসাই খুরাইলাকপসু মপাবুংগী থৌগন্দা ইনখি। অসুম তৌনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মমাক অৱা নিংথৌগী কোনুংদা চঙথোক চঙশিন তৌদুনা লৈখিবগা লোয়ননা অৱাদা শা-লানগী মতেং কয়াসু পাঙখিরম্মী। মতৌ অসুম তৌনা মীতৈ অমসুং অৱা লৈবাক অনীসি মতম খরদি ঙাই-শেন ওইনদুনা নুংশি চান্ননা লৈখিরম্মী। মতাং অসিদা থমজরিবা ৱাফম অমনা হায়রিবা মতমদু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ নিংথৌ ওইদ্রবনি। মহাক (গরিবনিৱাজ) সি মৈদিংঙু চিৎসাইনা তানথোকপদগী মচাইবুংঙো শ্যামসাই অমসুং অতৈ খোংলোই কয়াগা লোয়ননা মমাক অৱা নিংথৌগী কোনুংদা মতম খরগী ওইনা লৈখিবনি। শমপৎনা থমজবনি। মখা তাবা ঈ-পাউ মথংদা থমজরক্কে। পুৱারীদা থেংনজবা খক্তমক শমপৎনা ইজবনি। -মথং-মথং